# বি জে পিগী লোমেকর মশেল মুক্লখিবগী মতাংদা যোগীনা বি জে পিগী এম পি কৌখৎখ্রে



লক্ষ্ণৌ, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী):

হন্দক্তা সিতাপুরদা বি জে পিগী লোমেকর মশেল চৈনা-ঙাঙনবা অমসুং খূৎ থোক্লখিবগা মরী লৈননা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথনা ঙসি বি জে পিগী এম পি রেখা বর্মাবু কৌখৎখ্রে। এম পি বর্মানা সিতাপুরদা শাশঙ্ক ত্রিবেদি কৌবা অতোপ্পা লোমেকর অমগা মুক্লখি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর অদিত্যনাথনা কৌখৎখিবা এম পি বর্মা ঙসি অথেংবদা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেযরিএটতা চৎতুনা ৱাফম অদুগী মতাংদা ৱারী শানগনি।

বি জে পিগী লোমেকরশিং রেখা বর্মা অমসুং শাশঙ্ক ত্রিভেদি মীয়ামদা ব্লাঙ্কেটশিং য়েন্থোক্লবগীদমক হৌখিবা জন্যুৱারী ১৩ দা সিতাপুরগী মহোলি টেহসিল ওফিসতা লৈখি। মতমদুদা লুচিংবা অনীমক্কী সপোর্টরশিংনা চেরিটিগী থবক্তুগী ক্রেদিট লৌনবা হোৎনবদা মখোয় মশেল উংখৎনখি।

লেজিসলেটর অনীগী সপোর্টর-শিংনা পুলিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ওফিসলশিংগী মমাঙদা খৎন-চৈনখিবদু থৌদোক অদুগী ভিডিও অমনা ময়েক শেংনা উৎখি। মশক মমিংশিং তাকথোক্লীংদবা পুলিস ওফিসরশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, ধৌরাহরাগী এম পি বর্মা অমসুং মহোলি নগর পঞ্চায়টকী চেয়রমেন সরিতা গুপ্তনা প্রোগ্রাম অদুদা ব্লাঙ্কেটশিং য়েন্থোক্লিঙৈদা খৎন-চৈনবদু থোক্লকখি। মাহোলিগী এম এল এ ত্রিবেদিনা মহাক্কী সপোর্টরশিংগা লোয়ননা মফমদুদা থুংখিবা মতমদা ব্লাঙ্কেট য়েন্থোকপদু লেপ্পুনা চথখি।

এম এল এ ত্রিবেদিনা হায়খি মদুদি, এম পিনা ব্লাঙ্কেট য়েল্লিবদু মহোলি টেহসিলগী হোল অমগী মনুংদা চথবা ওইবনা এম এল এগী সপোর্টরশিংনা মখোয় মপান্দা লেপ্লিবশিংদা ওইনা ব্লাঙ্কেট য়েনগদবনি হায়না খন্নখি।

চৈরক্তুদা এম এল এগী সপোর্টরশিংনা শীন-লাংবদা শোয় হায়রদুনা এম পি বর্মানা কমপ্লেন তৌবা হৌখি। মসিদগী পোলিটিসন অনীগী মরক্তা মুক্ন্দুনা ঙাঙনা শক্লরকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী সপোর্টরশিংসু অমগা-অমগা চৈন-ঙাঙনদুনা খূৎ থোক্লরকখি।

লুচিংবা অনীগী সপোর্টর মশেল খূৎ থোক্লরিঙৈ তাঞ্জাদা বর্মানা মহাক্কী খোঙউপ লৌথোক্তুনা লমন খুন্নিংবগী ঈঙ্গিৎ উৎতুনা হাইখি। থৌদোক্তুদা মীওই কয়ামুক অশোক-অপন নংখি।

সব-দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট ব্রিজপাল সিংহ অমসুং সর্কল ওফিসর অনকিট কুমারনা মমৈথংদা লুচিংবা অনীদু তোঙান-তোঙানবা কাশিংদা পুশিনখি অমসুং মখোয়গী সপোর্টরশিং তানখায়খি হায়রি।

# ইস্লামিক ষ্টেট শৌগৎপা গ্রুপশিংনা কাশ্মীরিশিংবু এটেকশিং চথহন্নবা হোৎনবা লৈরে : এম ঐচ এ



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী):

টেরর আউটফিট ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস আই এস) শৌগৎপা পান্থবশিংনা জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা মরন্নাই এটেক কয়া পাঙথোকচগদবা রিক্রুটশিং থিরম্বা য়াই হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এম ঐচ এগী ছোর্সশিংদুগী মতুংইন্না, ষ্টেট অদুদা ইস্লামিষ্ট রিক্রুট ওইবা য়াবশিংবু কোইথি থিদুনা মখোয়বু কা হেনবা ৱাখল চেলহন্নবা হোৎনবা হায়বসি ফৎত্রবা পান্দমশিং লৈবা গ্রুপশিংনা লুনা পায়খৎপা থবক ওইরক্লে। এম ঐচ এগী সাইবর ৱিংনা জে এন্দ কেদা টেলিগ্রাম চেন্নেলদা থাগৎপা ফোটোশিং অমসুং আর্টিকলশিংগুম্বা কয়া ইন্টরসেপ্ট তৌখি। মদুনা ষ্টেট অদুগী নহারোলশিংবু নাইতোম এটেকশিং পাঙথোকহন্নবা কা হেনবা ৱাখল চেলহন্নবা হোৎনবগী মওং লৈরে হায়বসি উৎলি হায়রি। হন্দক্তা সাইবর ৱিংনা আই এসপু শৌগৎপা ফোঙদোকপা অমসুং জে এন্দ কেদা সরিয়া চৎনহনবা পান্থবগী মওং উৎপা অসিগুম্বা টেলিগ্রাম চেন্নেল অমগী পাউদম পীখি।

টেলিগ্রাম অদু হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী সেপ্টেম্বর ২৩ দা শেমখিবনি অমসুং চহীদুমক্কী ওক্টোবর ৩ দা নৌনা মমিং থোনখি। মেম্বর ২২৩ না চেন্নেল অদু শীজিন্নখি।

এম ঐচ এগী রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না, চেন্নেল অদুনা 'ভেরাক্রিপ্ট' কৌবা ফাইলশিং অমসুং দিস্কশিং এনক্রিপ্ট তৌবদা শীজিন্নবা প্রোগ্রাম অমসু থাগৎখি। চেন্নেল অদুনা নাইতোম এটেকশিং চথবগী কন্টেন্ট অমসুং এক্সপ্লোসিভশিং শীজিন্নবগী টেক্নিকশিংসু অপলোদ তৌখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তারদুনা হায়, কাশ্মীরদা আই এসপু শৌগৎলদুনা হশটেগ অমসু শেমখ্রে। হশটেগ অদুমক কুমজা ২০১৪ দা ইরাক অমসুং সিরিয়াদা আই এসনা কন্না এক্টিভ ওইরিঙৈদা শীজিন্নখি। কুমজা ২০১৭ তা জে এন্দ কেদা ওনলাইন এক্টিভিটিশিং হান্নদগী শরুক তরা হেনগৎখি হায়বসি সাইবর ৱিংগী রিপোর্ট অদুনা উৎখি। ফীভম অদুদা এম ঐচ এ সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংদা অসিগুম্বা গ্রুপশিংগী এদমিনিষ্ট্রেটরশিং খঙদোক্লবা অমসুং চানবা এক্সন লৌখৎনবা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে হায়রি। সিক্যুরিটিগী মরম খরদগী প্রো-আই এস টেলিগ্রাম চেন্নেল অদুদি ফোঙদোরক্ত্রি।

# ইন্দিয়ানা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ পুবা ঙম্বা এদভান্স ওইরবা অগনি-৫ বলিষ্টিক মিসাইল মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে





বালাসোর, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ানা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় পুবা ঙম্বা লৈমায়দগী লৈমায়দা কাপ্পা অগনি-৫ বলিষ্টিক মিসাইল ঙসি মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে। চাংয়েং অসিনা লৈবাক অসিগী মশাগী মিসাইল কেপেবিলিটিশিং অমসুং দিটরেন্সকী পাঙ্গল হেনগৎহল্লে হায়রি।

অগনি-৫ অসি অগনি সেরিজগী কিলোমিটর ৫,০০০ হেনবগী মফমশিংদা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙম্বা খ্বাইদগী হেন্না খুমাঙ চাউশিনবা মিসাইলনি। অগনি-৫ বলিষ্টিক মিসাইল অদু উরিষাগী কোষ্ট মনাক্তা লৈবা হান্না হ্বীলর ঈথৎ হায়না খঙনরম্বা কালাম ঈথৎতা লৈবা ইন্টিগ্রিটেদ টেষ্ট রেঞ্জ (আই টি আর)গী মরিশুবা লোঞ্চ পেদতগী লোকল মতমদা অয়ুক পুং ৯:৫৪ তাবদা কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখি।

চাংয়েংদুদা টেক্নোলোজিদা খুমাঙ চাউশিল্লবা অফবা মখলগী মিসাইল অদু মিনিট ১৯ অমসুং কিলোমিটর শান্না পাইখি।

অগনি-৫ অহানবা ওইনা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াসু কুমজা ২০১২ দা আই সী বি এমশিং নৎত্রগা ইন্টর-কন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইলশিং লৈরবা লৈবাকশিংগী সুপর-এক্সক্লু সিভ ক্লবকী শরুক অমা ওইবা ঙমখি।

বলিষ্টিক মিসাইল অগনি-৫ অসি অগনি সেরিজগী নেভিগেসন অমসুং গাইদেন্স, ৱারহেদ অমসুং এঞ্জিনদা অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নবা খ্বাইদগী খুমাঙ চাউশিল্লবা মিসাইলনি।

এক্যুরেসি ৱাংলবা রিং লেজর জাইরো বেজ ইনর্সিএল নেভিগেসন সিষ্টেম (আর আই এন এস) অমসুং খ্বাইদগী নৌবা অমসুং এক্যুরেট ওইরবা মাইক্রো নেভিগেসন সিষ্টেম (এম আই এন এস)না মিসাইল অদুবু এক্যুরেসিগী মিটর খরখক্কী মনুংদা লৈবা টার্গেট য়ৌবা ঙমহনখি হায়না দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)গী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, দিভলপমেন্টেল চাংয়েং মরি মায় পাকখ্রবা মতুংদা মসি অগনি-৫ মিসাইলগী অহানবা য়ুজর য়াওবা চাংয়েংনি।

অগনি-৫ মিসাইলদা হায় স্পীদ ওন বোর্দ কম্প্যুটর অমা অমসুং শোইগন্দবা ফরবা সোফ্টৱেয়র য়াওই। মিসাইল অসিগী লন্বীদু মদুগী মনুংদা য়াওবা এদভান্স কম্প্যুটর অমসুং ইনর্সিএল নেভিগেসন সিষ্টেমনা দিরেক্সন পী।

ষ্টেজ অহুম লৈবা, মিটর ১৭ ৱাংবা, মিটর অনী পাকপা অগনি-৫ মিসাইল অসি টন ১.৫ রোমগী ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ অমা পুবা ঙমই হায়রি।

# পাক রেঞ্জরশিংনা কাপশিল্লকপদা জৱান ১, নুপীমচা ১ শিরে

জম্মু, জন্যুৱারী ১৮ (এজেন্সী):

জম্মুগী আর এস পুরা সেক্টরগী ইন্টরনেসনল বোর্দর পরিংদা লৈবা ইন্দিয়ন পোষ্টশিং অমসুং ভিলেজশিংদা পাকিস্তানগী ট্রুপশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী জৱান অমা অমসুং মীচম অমা শিখ্রে।

পাকিস্তানি ট্রুপশিংনা কাপশিল্লক-পদা শিখিবা এ সুরেশ কৌবা জৱান অদু ৭৮-বট্টালিয়নগী হেদ কন্সটেবল অমনি। মহাক টামিল নাদুদগী ধর্মাপুরিদগীনি। মীচম অদুনা নীলম দেবী কৌবী চহী ১৭ কী নুপীমচা অমনি। পাকিস্তানি রেঞ্জরশিংনা জম্মু অমসুং সম্বা দিষ্ট্রিক্টশিংদা টার্গেট তৌরকখিবদুদা মীচম তরুকসু শোকখি। পাকিস্তানি রেঞ্জরশিংনা বোর্দর আউটপোষ্ট ২০ হেনবদা অমসুং খুঙ্গং ২০ দা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

জম্মুগী এদিসনেল দেপ্যুটি কম্মিস্নার অরুন মানহসনা ন্যুজ এজেন্সীশিংদা হায়খি মদুদি, পাকিস্তানিশিংনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবা পুং ৯ রোমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকখিবদুগী মতিক চাবা পাউখুম বি এস এফকী ট্রুপশিংনা পীখি। পাকিস্তানি সেলিং অদু মতেক-মতেক লেপ্তুনা চথখি।

ফীভম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা মসিগী ওফিসর খূদিংমক্তা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা শেম শাদুনা লৈনবা খঙহনখ্রে। পাউ অসি থারকপা ফাওবগী মতমদা খুঞ্জাশিং হোংদোকহনবদি লৈখিদে।

---

## IN THE FAMILY COURT, MANIPUR AT LAMPHELPAT

**Mat (Dec) Suit no. 62 of 2017**

1. Smt. Thokchom Ongbi Phajabi Devi, aged about 56 years, W/o (Late) Th. Nabakumar Singh and 5 (five) others.

*... Plaintiffs*

–Versus–

1. Thokchom Ningol Bimola Devi, aged about 67 years, W/o not known but falsely claiming to be daughter of (Late) Thokchom Ibomcha Singh and 12 (twelve) others.

*... Defendents*

**SUBSTITUTE SERVICE**

To,

1. Thokchom Ningol Bimola Devi, aged about 67 years, W/o not known but falsely claiming to be daughter of (Late) Thokchom Ibomcha Singh; resident of Khwai Lalambung Thokchom Leikai, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District **(Def. no. 1)**

2. Thokchom Ningol Binarani Devi, aged about 40 years, D/o Late Thokchom Ibomcha Singh, resident of Lalambung Makhong Thokchom Leikai, P.O & P.S. Imphal, Imphal West District. **(Def. no. 13)**

WHEREAS, the above named Plaintiffs has instituted a suit against you and others, for declaration with consequential reliefs, you are hereby summoned to appear in this Court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all material questions relating to the suit, or who shall be accompanied by some person, able to answer all such question, on 31/01/2018 at 10.30 A.M., to answre the claim and further, you are hereby directed to file on that day a written statement of defense and to produce on the said day, all documents in your possession upon which you intend to rely in support of your defense.

Take notice that, in default of your appearance on the day before mentioned, the suit will be heard and determined in your absence.

Given under my hand and the seal of the Court, this 08th day of January 2018.

**SEAL :**
By:-
Advocate

*Sd/- Sr. Sheristadar,*
Family Court Manipur
at Lamphelpat

HL-P/4937/18&19

---

## দশা য়েংজরি



অনৌবা চহীগী দশা, মহৈ-মশিং, অৱাংবা একজাম, সিভিল সর্ভিস, নীট থাগদবা, মীরমদা চৎপা, থবক-করবার, শেল লাক্লবা, য়ুম্বাল ফননবা, অঙাং য়াওননবা, হায়ন-তানবা য়াননবা, চিঞ্জাক ফননবা মতম লৈরিঙৈ য়েংথোকপীয়ু। চহী ৩৫ হেন্না মীয়ামগী সেবা তৌজরক্লবা, মপাল্লমগী মমীং লৈরবা ওঝা-গুরু কয়াগী পাউতাক ফংলবা, নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল থাক্তা মনা কয়াসু ফংজরবা, কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি।

*মীয়ামগীঃ- জ্যোতিষ মহাঋষি*
**Dr. Ph. Rajendra**
Nongmeibung, Near Community Hall
Academy Road, Imphal

HL-P/377/14/1-13/2

---

## OFFICE OF THE RETURNING OFFICER ELECTION TO THE EXECUTIVE COMMITTEE OF THE MANIPUR MASTER ATHLETIC ASSOCIATION, KHUMAN LAMPAK, MAIN STADIUM ROOM NO.32, IMPHAL WEST, MANIPUR

### N O T IFICATION

Imphal, dated the 18th Jan, 2018

**No.I/SR/M/Misc/04 (Pt) dt. the 8th Nov,2017:** In Exercise of the power conferred upon one under order No.I/SR/M/Misc/04 (Pt) of the RCS, Manipur. I Shri Ksh Bikramjit Singh, RO do hereby notified for election to the Executive Committee of the Manipur Master Athletic Association. The said election commence from 8 am to 4 pm sharp on dated the 2nd Feb, 2018.

And, therefore any eligible members those are willing for candidature may file their Nomination papers in the prescribed Form - A along with to the undersigned within the election schedule given below: -

***Sl. No. Programme***

1. Issue of Nomination Papers by MMAA from 25-01-2018 to 27-01-2018.
2. Last date of filing Nomination Paper under sealed cover is the 28th Jan, 2018.
3. Scrutiny of Nomination Papers to be held on the 29th Jan, 2018
4. Publication of valid / invalid Nomination on the 29th Jan, 2018
5. Withdrawal of Nomination Papers if any may submit on the 30th Jan, 2018
6. Publication of eligible Candidates, the 31st Jan, 2018
7. Election of Delegates will be held on 02-02- 2018 (Friday).
8. Venue of Election MMAA, Office Khuman Lampak Main Stadium Room No.32.
9. Counting of the Votes. 02-02-2018.

*Sd/-* **Ksh. Bikramjit Singh,** Returning Officer
Election to the Executive Committee of the MMAA

HL-P/418/19

---

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, VIII TBL Govt. of Manipur

***Ref:- Mut. Case No. 3/AS&SO/VIII (TBL)*** ***Dated : 16/01/2018***

1. Okram Kulla Singh S/o (L) Pishak Singh of Athokpam Makha Leikai.
2. –do– Raju Singh S/o (L) –do– of Athokpam Makha Leikai.

*-Applicants*

-Vrs-

(Late) Okram Pishak Singh S/o (L) Surjamani Singh of Athokpam Makha Leikai.

*-O.P.P.*

### ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ/NOTICE

Dt. 16/012018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবালগী খুল নং ৩২-অথোকপমগী পাট্টা নং ৯২৯ (অরিবা) ২৭১/১৬৪৭ (অনৌবা) দাগ নং ২৪৯৫/২৭৫৭ কী অপুনবা এরিয়া ০.০৫২৬ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নমা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা মহাক্কী মচানুপা ওক্রম কুল্লা অমসুং ওক্রম রাজু সিংহগী মমীংদা নমা পানবীরো হায়না উক্ত মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অপুনবা এরিয়া ০.০৫২৬ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী মনুংদগী দাগকী নোংপোক থংবদা এরিয়া ০.০১২১ হেক্তর চাওবা লম অসিনা এপ্লিকান্ট নং ১ গী অদুগা দাগকী নোংচুপ থংবা এরিয়া ০.০৪০৫ হেক্তর চাওবা লম অসিনা এপ্লিকান্ট নং ২ গী লম ওইনা নমা পানবীরো হায়রে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অমদি মরি-মতা, মচা-মশুশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি অসিগী তাং ২৫/০১/২০১৮ ইং ফাওবগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **Th. Shantikeshwar Singh**
Asstt. Survey and Settlement Officer/VIII
(TBL) Manipur

HL-P/406/19

---

## In the High Court of Manipur at Imphal

**W.P.(C) No. 27 of 2018**

**In the matter** of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India for the issuance of a writ in the nature of mandamus and/or any other appropriate Writ or Order (s) or direction of the like nature as this Hon'ble High Court deems fit and proper; a prayer for a direction to the official respondents to review/modify the recommendation made by the MPSC for direct recruitment to the posts of Assistant Professors (Economics) in Government College under Higher Education Department, Manipur with respect to the private Respondent Nos. 4 and 5 (namely, Athili Lolia and Thangjam Chandra Devi) and the petitioners.

Dr. Jiyaur Rahman, aged about 32 years, S/o Md. Kayamuddin of Lilong Chinkham Dam Makha, P.O. & P.S. Lilong, Thoubal District, Manipur.

*...PETITIONER*

-Versus-

The State of Manipur, represented through the Principal Secretary/ Commissioner/ Secretary (Higher and Technical Education), Government of Manipur, Imphal- 795001 & 4 Ors.

*...RESPONDENTS*

**To**

1. Ms. Athili Lolia, Roll No. 11357, c/o the Director University and Higher Education, Manipur, Imphal -795 001.
2. Mr. Thangjam Chandra Devi, Roll No. 11316, c/o the Director University and Higher Education, Manipur, Imphal - 795001.

**NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C**

**(SUBSTITUTED SERVICE)**

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 12-01-2018 passed in WP(C) No. 27 of 2018 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 4 & 5 by way of "Substituted Service" through publication in 2 (two) local dailies, one in English and one in local varnacular for two consecutive days returnable within 4 (four) weeks.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before the returnable date i.e. within 4 (four) weeks either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 17th of January, 2018.

By Order,
**M.C. Nandi**
***Assistant Registrar-I***
High Court of Manipur
Imphal (Manipur)

By:-
Ms. Geetarani Waikhom, Advocate
C/o Mr. Ng. Jotindra Luwang, Advocate

HL-P/4943/19&20

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

***Ref:- Mut. Case No. 24/SDC/NTK/2018***

Maimom Rajeshwor Singh S/o (L) M. Deben Singh of Potshangbam.

*... Petitioner*

-Vs-

Late Maimom Deben Singh S/o (L) Mangi Singh of Potshangbam.

*... O.P*

### ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ/NOTICE

Ningthoukhong, the 17th Jan., 2018

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 42-Potshangbam Village গী Patta No. 42/519 (O) 366 (N) C.S. Dag No. 1011 & 1012 an area 1.56 acre out of 2.10 acre of Phourel Class অসিগী Co-pattadar No. 2 অসি মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচানুপা (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৫/০১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

HL-P/407/19

---

## ꯁ꯭ꯔꯤꯍ:/শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ



পূর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বায়বু কোনবিরম্বা **থিংবাইজম <sup></sup>৺মুহিন্দ্রো সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতে খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লল্লগা হৌখিবা তাং ১১/০১/২০১৮ ইং, ৱাকচিংগী ২৫ নি পানবা শগোলশেল নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যা মধনামোহোন দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে। হৌখিবা তাং ১৬/০১/২০১৮ ইং, ৱাকচিংগী ৩০ নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অষ্ঠি-সঞ্চয় লৌগৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৩/০১/২০১৮ ইং, ফাইরেনগী ৬ নি পানবা, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌড়চন্দ্র মহা প্রভুগী চরন্দা ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং কৎচগদৌরি। উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং অমদি অষ্ঠি-সঞ্চয় সেবা লেংবীরক্লম্বা ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা ইপুরোইবগা তিন্নবীরম্বা মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবিরক্তুনা অমদি হরিনাম শ্রবন তৌবিরনবা পাউচেগী থোংদা পাউজেঞ্জরি।

*পাউজেঞ্জরিবী :-* **শ্রীমতি থিংবাইজম ওংবী মেম্মা দেবী (সহধর্ম্মিনী)**
***অমদি ইমুং-মনুং।***
***তোপ অৱাং লৈকাই, টিনসিৎ রোড, ইম্ফাল ইষ্ট।***

HL-P/411/19

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

***Ref:- Mut. Case No. 25/SDC/NTK/2018***

Khaidem Ranjit Singh S/o (L) Kh. Tollamu Singh of Potshangbam.

*... Petitioner*

-Vs-

Late Khaidem Tollamu Singh S/o (L) Kh. Chaoba Singh of Kha-Potshangbam.

*... O.P*

### ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ/NOTICE

Ningthoukhong, the 17th Jan., 2018

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 42-Potshangbam Village গী Patta No. 42/121 (N) C.S. Dag No. 1055 an area 1.43 acre of Phourel Class অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচানুপা (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৪/০১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

HL-P/409/19

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

***Ref:- Mut. Case No. 17/SDC/IW/LC of 2018***

Waikhom Abungcha Singh S/o (L) Chaigoi Singh of Naran Konjil Mamang Leikai.

*...... Petitioner*

-Vrs-

Late, Waikhom Chaigoi Singh S/o (L) Chandra Singh of Naran Konjin.

*...... O.P.*

### ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ/NOTICE

Lilong Chajing, the 18th Jan., 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৭৩-নরান কোঞ্জিনগী অরিবা পাট্টা নং ১৬২ অনৌবা পাট্টা নং ১৬৭ দাগ নং ৩৮৫ এরিয়া ০.৬৮০০০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার ৱাইখোম চাইগোই সিংহ পীং মৃ: চন্দ্রা সিংহ সাং নরান কোঞ্জিন অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিংদা লৈরিবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পল্লিবা পেটিস্নরগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা লৌফম অসিগী মরীদা আপতি তৌবিনিংবা মীওইশিংনা "নোটিশ" অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চথরগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/4945/19

---

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

***Ref:- Mut. Case No. 27/SDC/NTK/2018***

1. Takhellambam Deba Singh S/o (L) T. Yaima Singh of Sunusiphai Mayai Maning Leikai.
2. Takhellambam Tombisana Singh S/o (L) –do– of –do–.

*... Petitioners*

-Vs-

Late Takhellambam Yaima Singh S/o (L) T. Konungjao Singh of Sunusiphai Mayai Maning Leikai.

*... O.P*

### ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ/NOTICE

Ningthoukhong, the 18th Jan., 2018

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 47-Sunusiphai Village গী Patta No. 47/190 (O) 18 (N) C.S. Dag No. 1055 an area 2.24 acre of Phourel Class অসিগী Co-Pattadar No.1 অসি মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচানুপা (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৫/০১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

HL-P/417/19

---

## IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

***Ref:- Mut. Case No. 1136/SDC/IW-L/ 2017***

1. Naorem Amuchou Singh S/o (L) Mangi Singh of Heibongpokpi.
2. Naorem (N) Leipakleima Devi D/o (L) Mangi Singh of –do–.

*-Petitioners*

-Vs-

Late Naorem (O) Radhe Devi W/o (L) Mangi Singh of Heibongpokpi.

*-O.P. Party*

### ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ/NOTICE

The 29/12/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার নাওরেম (ও) রাধে দেবী পতি মৃত মঙ্গী সিংহ, সাং হৈবোংপোকপীগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬৩-হৈবোংপোকপীগী অনৌবা পাট্টা নং ৫৯, দাগ নং ২২৬ কী এরিয়া ০.৫৩ চাওবা ইঙ্খোল অসিগী মনুংদগী মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.০৫৫ চাওবা অসি দংকারি নং ১ না ০.০২৩ অমসুং দংকারি নং ২ না ০.০৩২ অসি পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector, IW: Lamsang

HL-P/414/19